# চহী ২০ মখাগী নুপীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা যু এস এনা পারাগ্বেবু ৬-০ দা থোইখ্রে

কোনকার্নো, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) ঃ ফ্রান্সনা যূম্ব ওইরগা থা অসিগী ৫ দগী লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা চৎথদুনা ওগষ্ট ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা অথেংবা মেচ অমদা যু এস এগী টিমনা পারাগ্বেবু য়াম্না হেন্দুনা পাঙ্গল ৬-০ দা থোইখ্রে।

ফ্রান্সকী সিটি কোনকার্নোদা লৈবা ষ্টেদিয়ম গুইপিরোদা ৱর্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ সীগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা যু এস এ অমসুং পারাগ্বে লম্বা তৌনখিবনি। পনবা য়াই, যু এস এগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা এসিয়াগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা জপানগী মখূৎতা পাঙ্গল ১-০ দা মায়থীবা নংখিবনি। অমরোমদা পারাগ্বেগী টিম য়ুরোপকী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা স্পেনগী মখূৎতা মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু পাঙ্গল ১-৪ দা মায়থীখি।

যু এস এ অমসুং পারাগ্বেনা ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদু হৌরকপদগী হৌনা যু এস এগী শান্নরোয়শিংনা পাঙ্গল লৈনা শান্নবা ঙম্বদগী বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া চথবা ঙমখি। শান্নবগী ১৫ শুবা মিনিটতা যু এস এগী মায়কৈদগা স্মিথনা মেচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল চনবা ঙমখি।

পাঙ্গল অমা মাঙজিল থাবা ঙমখিবদগী যু এস এগী টিমগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদা ৱর্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপকী অহানবা মেচ জপানগী মখূৎতা শুপ্নগী পাঙ্গল অমদা মায়থীবা নংখিবা অদু ফুগৎনবা হোৎনদুনা অহেনবা পাঙ্গল চন্ননবা এটেক মখা চথরকখি।

অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী মখূৎতা পাঙ্গল ১-৪ দা মায়থীবা নংখ্রবা পারাগ্বেগী টিমসু যু এস এগা শান্নবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা মায় পাক্ক নবা অমদি নোকআউট ষ্টেজ য়ৌনবগীদমক পাঙ্গল অমা শোত্থরবসু য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। স্মিথকী পাঙ্গল অদুগী মতুং অহানবা হাফ অদুগী লোইগদবা মিনিট ৬ ফাওবদা মেচ অদুগী মখা তাবা পাঙ্গল লৈখিদে।

শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনিটতা যু এস এগী দিমেলোনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা পারাগ্বেগী শান্নরোয়শিংগী হোৎনজমন অদু মথৌ খরা লৌথোকখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনিট ১ খক ঙাইরবা মতমদা দিমেলোনা মহাক্কী টিমগী পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পারাগ্বেবু যু এস এনা পাঙ্গল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা পারাগ্বেগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু যু এস এগী চহী ২০ মখাগী শান্নরোয়শিং অদুগী পাঙ্গল অমদি টেক্নিক অদু লম্বা পীবা ঙমদবদগী মখোয়গী মায়কৈদগী চথখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাখি। মেচকী অনীশুবা হাফ অদু হৌরকপা মিনিট অমা চঙশিনবদা ঙাইরিঙৈ যু এস এগী মায়কৈদগী সাঞ্চেসনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঙ্গল অদু চনখি। মেচকী ৬৩ শুবা মিনিটতা যু এসকী স্মিথনা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঙ্গল অদু হাপচিল্লবা মতুং মাঙজৌননা পাঙ্গল অনী চনবা ঙমখ্রবী দিমেলোনা মহাক্কী হেট-ত্রিক ওইবা পাঙ্গল অদু ৭৮ শুবা মিনিটতা চন্দুনা পারাগ্বেবু মখোয়না ৬-০ দা থোইখি।

গ্রুপ সীগী অতোপ্পা মেচ অমদা পারাগ্বেবু পাঙ্গল ৪-১ দা থোইরম্বা স্পেননা জপানগা লম্বা তৌনবদা পাঙ্গল ১-০ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা ফ্রান্সকী সেন্ট মালোদা লৈবা মারভিলি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচশিংদা জর্মনি অমসুং নাইজিরিয়ানা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীদুনা নোকআউট ষ্টেজকীদমক ফিভম ফজনা শেম্বা ঙমখি। জর্মনিনা গ্রুপ অদুগী অহানবা মেচতা চাইনাগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহৌবা পুংখায় অমা লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঙ্গল চন্নখিদে। ৩১ শুবা মিনিটতা জর্মনিগী গ্বিননা মেচকী অহানবা পাঙ্গল চনখি। পাঙ্গল অদুগী মতুং মিনিট ৯ লৈরগা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় ফ্রেগাংনা ৪০ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা চাইনাবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা চাইনাগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঙ্গল অনী অদু হন্দোক্লবগীদমক ফনা কন্না হোৎনরবসু জর্মনিগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। মিনিট ৪৫ গী লেমহৌবা মতম অদুদা চাইনাগী এটেকশিং অদু ঙাক্লনবা হোৎনবা অমদি মখা তাবা পাঙ্গল অনীগী মথক্তা চনবা ঙমদনা জর্মনগী টিম অদুনা মিনিট ৯০ গী মেচ অদুগী অরোইবদা পাঙ্গল ২-০ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিগী ওইনা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুগা মকোক্তা লৈরি।

ঙরাং অথেংবগী গ্রুপ দিগী মেচ অমদা নাইজিরিয়াগী টিমনা হাইটিবু পাঙ্গল ১-০ দা থোইখি। পনবা য়াই, নাইজিরিয়াগী টিম অহানবা গ্রুপ মেচতা জর্মনিনা মখোয়বু মায়থীবা পীরম্বনি।



*পারাগ্বেগী টিমবু পাঙ্গল ৬-০ দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা যু এস এগী শান্নরোয়শিংনা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

U-20 WOMEN'S WORLD CUP FRANCE 2018

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৭৬

১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?
২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?
৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?
৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল মালেমগী রেঙ্কিংদা থাক অমা হন্থরগা ১১ শুবদা লৈখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়ারুরবা মতুং মশীং য়াল্লবা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা করম্বা শান্নরোয়না মকোক্তা লৈ অমদি অতোপ্পা খরনা মমৈদা লৈ হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক থৌ পুরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা পাউ অমদা মতম অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙম্লম্লবী সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী চৎলিবা সীজন অসিদা লৈখিবা পর্ফোমেন্সশিং অদু কুপ্না য়েংলুরগা ১১ শুবা পোজিসনদা হন্থখিবা অদু অশোয়-অঙাম য়াওদবা থৌদোকনি হায়না বেদমিন্টন মশান্নগী ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লরকখি।

ভিএটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা মায়থীহৌরবা কিদম্বী শ্রীকান্থ হান্না লৈরম্বা মহাক্কী তরুকশুবা থাক অদুদগী অনী হন্থরগা নিপানশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। কিদম্বী শ্রীকান্থ হৌখিবা চহীদা য়াম্না ফজবা মওংদা এ টি পি টাইটল অহুম লৌদুনা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স লৈখিবনি। নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু মহাক্না মমাঙদা লৈখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ গী কাখল অদু অশোয়-অঙাম য়াওদনা অদুমক দিফেন্দ তৌরি।

# অর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিম ক্বালিফাই ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী)ঃ চহী অসিগী ওক্টোবর ৬ তগী ১৮ ফাওবা অর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেসনা যূম্ব ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিম অনীমক ক্বালিফাই ওইখ্রে। ৱাফম অসি ইন্টর্নেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ঙসি পীরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী জুনিয়র হোক্কী টিম অসিনা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসকী মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া, সিলভর মেদল ফংখিবা কনাদা অমসুং যূম্ব ওইরিবা অর্জেন্টিনা য়াওনা ওষ্ট্রিয়া, বাংলাদেশ, পোলেন্দ, মেক্সিকো, মলেসিয়া, কেনয়া, জাম্বিয়া অমসুং ভানোটুনা টুর্নামেন্ট অদুদা লম্বা তৌনগদৌরি। য়ুথ ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান তোঙানবা কেটিগরিদা টিম ১২/১২ না লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী ওক্টোবর ৬ তগী ১৮ ফাওবা অর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেসনা যূম্ব ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী হোক্কী পুৱারীগী ওইনা অহানবা লমায়দা লৈবাক অসিগী জুনিয়র নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক পূন্না ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈখিবনি। মমাঙগী য়ুথ ওলিম্পিক গেমস অনীদা ইন্দিয়াগী টিম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

# ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী কনটিনজেন্টকী ফিৱাল অদু নিরজ চোপ্রানা পায়রগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী)ঃ থা অসিগী ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়ানা যূম্ব ওইরগা লৈবাক অদুগী জকরতা অমসুং পালেম্বাং সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী কনটিনজেন্ট অদুগী ফিৱাল নুপাগী জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা পায়রগনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৪ দা সাউথ কোরিয়ানা যূম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়ন কনটিনজেন্ট অদুগী ফিৱাল হোক্কী শান্নরোয় মতম অদুদা কেপ্টেন ওইখিবা সরদার সিংহনা পায়খিবনি। হন্দক্কী এসিয়ন গেমস অসিদা চহী নৌরিবা জেভলিন থ্রো দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ লাইথোক্তুনা মালেমগী জুনিয়রগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা নিরজ চোপ্রানা পায়গদৌরিবনি।

নিরজ চোপ্রানা ফোঙদোরকপদা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী মশীং য়াল্লবা এথলিটশিং অদুগী মনুংদা মহাকপু ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিৱাল অদু পায়দুনা টিম অদুগী কনটিনজেন্টকী লুচিংবা ওইনা খল্লকপদা য়াম্না হরাওবা অমদি অপেনবা ফোঙদোকখি।



হৌজিক হৌজিক নিরজ চোপ্রা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস অদুদা জেভলিন থ্রোগী দিসিপ্লিনগী গোল্ড মেদল ফংননবা য়াম্না অকনবা মওংদা ফিন্লেন্দদা ট্রেনিং চৎথরি। মহাক্কী ৱাফমশিং অদু ফিনলেন্দদগী ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম তারবা মতুং মীয়ামদা পাউদমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী অভিজিৎ গুপ্তা মায়থীরবসু টিমগী পর্ফোমেন্সতি ফজবা ঙল্লি

অবু ধাবি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী)ঃ য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস (য়ু এ ঈ) কী কোনুং অবু ধাবিদা পাঙথোক্লিবা অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্ট ঙরাং শান্নবা লোইশিনখিবা অনীশুবা রাউন্দ ফাওবদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অভিজিৎ গুপ্তা মায়থীবা নংলবসু ইন্দিয়াগী মশীং য়াল্লবা টিমশিং অদুগী পর্ফোমেন্স ফজবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৮০ হেনবনা শরুক য়াদুনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক অমগী টিমনা লম্বা তৌরিবা য়ু এ ঈগী অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নরোয় ওইখিবা গ্রান্দমাষ্টর অভিজিৎ গুপ্তা অনীশুবা রাউন্দদা অজরবৈজানগী শান্নরোয় গুমে মমাদজগাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

অভিজিৎ গুপ্তা মায়থীবা নংখ্রবসু ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় রোনক সাদৱানি, অর্জুন কলয়ান অমসুং ভি এস রাথনবেলসু মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং অদুগা থেংনবদা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। ইন্দিয়াগী রোনক সাদৱানিনা ইজিপ্টকী গ্রান্দমাষ্টর মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংনা লৈরিবা অহমদ অদলিগা শান্নবদা দ্রো চৎখি।

অমরোমদা মশাগী করিয়রগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংলিবা ইন্দিয়াগী অর্জুন কলয়াননা রোমানিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর এনদ্রে ইষ্ট্রাটেস্কুগা শান্নখিবা য়াম্না মরুওইবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমা দ্রো চৎখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ফিদে মাষ্টর ভি এস রাথনবেলনা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংনা লৈরিবা শান্নরোয় উজবেকিষ্টানগী নোদিরবেক অদুসাতারোফকা শান্নবদা দ্রো চৎখি। ইন্দিয়াগী স্বামিনাথননা ব্রাজিলগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর ফিয়রগা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎখি। রাউন্দ ৯ শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী লেমহৌবা রাউন্দ ৭ তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৪ রাউন্দ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা মকাক থোংবা ঙল্লি।



# অনিশ ভনৱালানা শুটিংদা ইন্দিয়াগী ফিৱাল এসিয়ন গেমসতা পাইহন্নবা হোৎনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবা শুটর অনিশ ভনৱালানা থা অসিগী ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়াগী সিটি অনীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিৱাল পাইহন্নবা হোৎনগদৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা যূম্ব ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবতা অনৌবা কম্মনৱেল্থকী রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখিবনি। হৌজিক হৌজিক হায় স্কুলদা লাইরিক তম্লিবী অনিশ ভনৱালানা ইন্দিয়াগী এসিয়ন গেমস কনটিনজেন্ট অদুদা খ্বাইদগী চহী নৌবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা গোল্ড মেদল ফংবা য়াবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা থাক ৱাংনা লৈরিবা শান্নরোয় অমনি।

ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পূন্না শান্নরোয় ৫২৪ গী কনটিনজেন্টনা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা শরুক য়াগদৌরি।

চহী ১৫ দা ঙাইরিবা অনিশ ভনৱালানা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ, কম্মনৱেল্থ শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ, আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ অমসুং অতোপ্পা ইন্টর্নেসনল শুটিং টাইটল কয়াসু ফংবা ঙমদুনা অচৌবা আশা অমা মঙোন্দা ইন্দিয়াগী টিমনা থল্লি।

# রোমানিয়াগী হালেপনা যু এসকী ভেনস মায়থীবা পীখ্রে, নুপাগীদা সর্বিয়াগী জোকোভিচ অনীশুবা রাউন্দদা গ্রীসকী ষ্টিফানোসনা থোইখ্রে

টোরোন্টো/মোনত্রিএল, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) ঃ কনাদাগী সিটি অনী টেরোন্টো অমসুং মোনত্রিএলদা চপ মান্ননা পাঙথোকপা নুপাগী এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মালেমগী নুপীগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা যু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মসপু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু গ্রীসকী নহা ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা মায়থীবা পীখ্রে।

কনাদাগী সিটি অনীদা নুপা অমসুং নুপীগী রোজর্স কপ টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা অসিগী মনুং চন্না মোনত্রিএল সিটিদা শান্নখিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা য়াম্না মরুওইবা মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইখিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা যু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মসকা লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুদা সাইমোনা হালেপকী মশান্না অদুনা যু এস এগী এক্সপিরিএন্স লৈরবী নুপীগী টেন্নিস লমদা মতম শাংনা শরুক য়ারক্লবী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা লম্বা পীবা ঙমখিদে। অহানবা সেট অদুদগী হৌরগা সাইমোনা হালেপনা শান্নখিবা শাফু কল্লবা ভোলি অমদি গ্রাউন্দ ষ্ট্রোকশিংনা হেঞ্জিল্লক্তুনা ভেনসকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৬-২ দা মহাক্না থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুগী হৌরকপদগী হৌনা সাইমোনা হালেপকী সোটশিং অদু ভেনস ৱিল্লিয়মসনা পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী অহানবা সেট অদুগা মান্ননা মহাক্কী সর্ভিস গেম অনী হালেপনা মুনখিবদগী গেম ২-৬ তা মায়থীদুনা হালেপ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, নোংনা মরক থৎনা টুর্নামেন্ট অদুগী সেদ্যুলশিংদা অকায়বা পীরকপদগী চোম্থরকখিবা মেচশিং অদু মতাং মতম চানা লোইশিন্নবগীদমক সাইমোনা হালেপনা ভেনস ৱিল্লিয়মসকা শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকোভাগা লম্বা তৌনখি। হায়রিবা মেচ অদুদা অনাষ্টেসিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা নুপীগী টেন্নিস মশান্না উৎপা ঙমখি।

হালেপ অমসুং মহাক্না শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুগী অহানবা সেট অহৌবা পোইন্টতগী হৌরগা লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। মদুদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা টাই ব্রেকতা পোইন্ট ১১-৯ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকোভানা অমুক ফজবা হেল্লকপদগী হালেপকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬-৪ দা থোইদুনা সেট ১-১ মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীগী মখা তারকপা লম্বা লেং মান্নখি। ১০ শুবা গেম শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গেম ৫-৫ দা থোইনদুনা লৈরকপদগী এক্সপিরিএন্সকী লমদা চাং ৱাংনা লৈখিবী সাইমোনা হালেপনা অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকোভাগী সর্ভিস গেম অমা য়াম্না লুরবা তানফমদা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৭-৫ দা থোইরগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌরকখিবনি।

নুপাগী টেন্নিসকী লমদা চহী খরগী মমাঙদা নম্বর ৱান পোজিসন মতম শাংনা লৈবা ঙম্লমখিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা রোজর্স কপ এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টোরান্টো সিটিদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা গ্রীসকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা সেট ২-১ দা থোইখি।

চহী অসিগী অহুমশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইখিবা ইংলেন্দগী চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিচপু গ্রীসকী ষ্টিফানোসনা সেট ২-১ দা থোইখি। অহানবা সেট গ্রীসকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৩ দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা ফনা কন্না শান্নরবসু গ্রীসকী ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা পাউখুম চপ মান্ননা পীদুনা সেট অদু টাই ব্রেকতা পুরকপা ঙমখি। টাই ব্রেক অদুদা নোভাক জোকোভিচনা মহাক্কী শাফু কল্লবা সর্ভিসশিং অদুগী মতেংনা পোইন্ট ৭-৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদু শান্নরোয় অনী সেট ১-১ মায় পাক্তুনা লৈনখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা নোভাক জোকোভিচকী মশান্নদা চেকশিনবা খরা ৱাৎপদগী মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা গ্রীসকী ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা মহাক্কী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌবদগী সেট অদু ৬-৩ দা থোইরগা জোকোভিচ মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলুপতা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱাজনিয়াকি অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রবা মতুং অনীশুবা রাউন্দ শান্নবদা বেলারসকী এরিনা সবালেনকাগী মখূৎতা ৭-৫, ২-৬, ৬-৭ (৪-৭) তা মায়থীবা নংহৌখি। গ্রেট বৃটেনগী জোহানা কোন্টা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগী মখূৎতা ৩-৬, ৪-৬ তা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদু মায়থীখি।



